রেগ্যুলেসন এক্ট চৎনহন্নবা তকশিনখ্রে

দিমাপুর, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি) :

অয়াবা য়াওদনা মীতোপ চঙলকপা থিংনবা নাগালেন্দগী মফম পুন্নমক, মরু ওইনা দিমাপুর দিষ্ট্রিক্টতা বেঙ্গল ইষ্টর্নফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেসন এক্ট ১৮৭৩ চৎনহনবিয়ু হায়না ট্রাইবেল হোহোস, এন জি ওশিং অমসুং অতৈ লূপ কয়ানা ষ্টেট গভর্নমেন্টতা তকশিনখ্রে।

সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী কন্মিটিনা হায়খি, মদুদি মতম শাংনা দিমাপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট চৎনদনা লাকপা মরম্না দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মপান লৈবাক্কী মীতোপ কয়া চঙলকপা য়াবগী নুংনাংবা পোক্লে। অয়াবা য়াওদনা মীতোপ চঙলকপা থিংনবগী পান্দমদা নাগালেন্দ ট্রাইবস কাওন্সিল (এন টি সী)গী মীৎয়েংখাদা জোইন্ট কন্মিটি ওন প্রিভেন্সন ওফ ইলিগেল ইমিগ্রেন্টস শেমখিবনি। নৌনা শেমখিবা কন্মিটিনা হায়খি, ষ্টেট লৈঙাক্না বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেসন এক্ট ১৮৭৩ অমসুং ফোরেনরস এক্ট ১৯৪৬ মপুং ফানা চৎনহন্নবগীদমক হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা তোখায়বা সেল অমা হাংদোকপা মথৌ তাই। কন্মিটিনা থাদোরকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, হন্দক্তা অসামদা ফোঙখিবা এন আর সী দা মীওই লাখ ৪০ হেন্না মমিং য়াওদবা মরম্না এন আর সীদা মিং য়াওহৌদবা মীওইশিং যুম্লোন্নরিবা নাগালেন্দদা চঙশিল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈ। জে সী পি আইনা হায়খি, ইন্নর লাইন পার্মিটতা টুরিষ্ট, ট্রান্জিৎ পেসেঞ্জর অমসুং মেন্যুএল নৎত্রগা স্কিল লেবরর ময়েক শেংনা পনগদবনি অমসুং মখোয়না লৈগদবা মতম ময়েক শেংনা য়াওহনগদবনি। পনবা য়াবদি নাগালেন্দ, মিজোরাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র এক্টকী মখাদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনদুনা লাক্লবসু দিমাপুরদদি এক্ট অসি চৎনহন্দনা লাকখিবনি।

ꯃꯥꯡ/R.C.BOOK LOST

I have lost my R.C. Book of YAMAHA FZ-16 bearing Registration No. MN01 U5542, Engine No. 21CK039737 and Chassis No. ME121C0KCE2039545 issued by DTO Imphal West, on the way from Khabam to Koirengei on 01/06/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Taiyenjam Ranjan Singh**
Heingang Mayai Leikai
Pin No.: 795 002
HL-P/2009/22

ꯃꯥꯡ/DOCUMENT LOST

I have lost my Original Admit Card, Marksheet & Certificate of HSLC Examination of 1992, issue by BOSEM and Original Admit Card & Marksheet of Hr. Sec. Examination, bearing Roll No. 17747 of 1994 issued by COHSEM, on the way from Secretariat to North AOC Imphal on 20/08/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Wairok Korungin Makunga**
Khulsaibung Village Machi Sub-Division
Chandel District ☎ **9862889121**
HL-P/3612/22

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থন্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।

২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।

৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।

৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।

৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।

৬। মথক্তা পঙ্খিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঙ্গরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. **9612225582**
DR. N. IBOHAL MEITEI,
State & National Awardee
HL-B/4802/20/8-19/09

মণিপুর কোলেজগী দাইমন্দ জুবিলী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস):

ওর্গনাইজিং কন্মিটি ওফ মণিপুর কোলেজনা শীন্দুনা কোলেজ অসিগী দাইমন্দ জুবিলী সেলেব্রেসন অমসুং কোলেজ ৱীককী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

MANIPUR COLLEGE
DIAMOND JUBILEE CELEBRATION & COLLEGE WEEK
16th to 21st August, 2018
Venue: Manipur College, Imphal
GUEST OF HONOUR
CHIEF GUEST
PRESI

কোলেজ অসিগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ টি ঐচ সৈত্যব্রতা, মণিপুর কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডো. আর কে রাধাকিশ্বর অমসুং হায়র এদ্যুকেসনগী দিরেক্টর দল্লিয়ু মালেমঙানবা চেংলৈনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

গেষ্ট ওফ ওনরগী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ সৈত্যব্রতানা হায়খি, মহৈরোয় অমা ওইরিঙৈগী পূন্সিদা মখল-মখলগী অওনবা কয়া থেংনগনি। থেংনরিবা অওনবশিং অদু ইশানা ৱাখল লৈতানা ৱারেপ লৌরগা অচুম্বা মায়কৈদা পুননবা হোৎনগদবনি। মহৈরোয়শিংনা ইমুং-মনুংগী অহল-লমনশিং লোয়নবদা হৈ-শিংগদবনি। খঙদবদা খঙদ্রে হায়গদবনি। থৌগল্লোন খঙনা চৎকদবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ওজাশিংসু মহৈরোয়শিংবু নুংশিনা লোয়নহন্নীংই। মহৈরোয়শিং অসি তুংগী যূম্বী ওইগদবনা মখোয়বু অফবা লম্বীদা লমজিংবীবা হায়বসি ওজাশিংগী থৌদাং ওইগদবনি। ষ্টেট অসিগী মরুওইবা পোষ্টশিং য়েলহৌমী ওইরিবা ঐখোয়না পায়হৌনবগীদমক অফবা মহৈরোয়শিং শেম্বা হায়বসি লৈঙাক্কী থৌদাংনি অমসুং মহৈরোয়শিংনসু হোৎনগদবনি।

পোলিটিক্স তৌবসি মীনা ফজদনা ঙাংনবসু য়াওই। মীয়ামগীদমক করিগুম্বা খরদা ওইরবসু তৌগে খল্লবদি মহৈরোয়শিংগীসু মীৎয়েং থমহন্নীংই। লৈবাক অমা শেম্বা হায়বসি অফবা মী, অচুম্বা ফিরেপ লৌবা ঙম্বা মী চঙলক্লগা ফগনি। অফবা খুন্নাই অমগীদমক অফমা মহৈরোয় চঙই। অফবা মহৈরোয়শিং পুথোকপদা অফবা ওজা চঙই। অফবা খুন্নাই অমগীদমক ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা কুমজা ২০১৭-১৮গী মেগাজিনসু ফোঙখি। লৈখিদ্রবা ফাউন্দরশিংগী মফমদা লৈ-শু কৎখি। কোলেজ ৱীকতা মকোক-মথং তাখ্রবশিংদসু মনা-মথুম য়েন্থোক্তুনা ইকায় খুম্নখি।

ককচিং খুনৌ কোলেজকী জেনরেল একাওন্টতগী নারোন্দা শেল কাইথোক্লক্লে : ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস):

ককচিং খুনৌ কোলেজগী মণিপুর রুরেল বেঙ্ক ককচিং ব্রাঞ্চতা হাংবা জেনরেল একাওন্টতগী কোলেজ অসিগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর এস ঐচ মনিতোম্বীনা বেঙ্ক অসিগী ককচিং ব্রাঞ্চ মেনেজরগা মান্নরগা নারোন্দা য়াম্লবা শেনফম কাইথোক্লক্লে হায়না কোলেজ অসিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি শোরোকখাইবম মালেমঙানবনা মরাল শীরি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা মহাক্না মরাল কয়ামরুম শীরদুনা হায়, চৎলিবা থা অসিগী ১৬ তা প্রোফেসর এস ঐচ মনিতোম্বীনা এম আর বি ককচিংগী ব্রাঞ্চ মেনেজরগা মান্নরগা নারোন্দা লুপা ৩৬,৩২,৯৫২ কাইথোক্লক্লে।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, দি দি ও অমগী পৱার য়াওদনা মতৌ করম্না য়াম্লবা শেনফম অসি কাইথোক্লল্লিবনো হায়বসি চেন্নরিবা মেনেজর অমদি প্রোফেসর মনিতোম্বীনা থা অসিগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা শেংদোরক্তুগদি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নননা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিনগনি। লোয়ননা শেনফমশিং অসি হান্নগী জেনরেল একাওন্টতা হঞ্জিল্লক্ত্রিফাওবা এস ঐচ মনিতোম্বী কোলেজ অসিদা চঙবা থিংজিঞ্জরে।

হীরম অসিদা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবিদুনা অরানবা তৌবদা চেন্নবশিং অদু অথুবা মতমদা চৈরাক পীবিয়ু। লোয়ননা মতম শাংনা চয়েৎনদুনা লাক্লবা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল হাপ্পগী মতাং অসিবুসু লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবিদুনা অথুবদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

মীওই অনী শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রে

ভোপাল, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি):

মধ্য প্রদেশকী মন্দশোরদা চহী ৮ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা ফল্লানবদা চেন্নবা মীওই অনী স্পেসল কোর্টনা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রে।

জুন ২৬ তা ক্লাস টু তম্বদা ঙাইরিবী নুপীমচা অদু স্কুলগী মপান্দা মমা-মপা ঙাইদুনা লৈরিঙৈদা মীওই অনীনা থেমদুনা পুরগা ফল্লানবা মতুংদা মখৌরিদা থাঙনা লেন্থৎতুনা হাৎখিবনি। পুলিসনা থৌদোক থোকফমগী সী সী টি ভি ফুটেজ য়েংলবা মতুংদা মরাল লৈরবা মীওই অনী অদু পুং ২৪ গী মনুংদা ফাবা ঙমখি।

মন্দশোরদা থোকখিবা অঙাং ফল্লানবগী থৌদোক অদুনা মধ্য প্রদেশতা মীয়ামগী ইহৌ লাকহনখিবগা লোয়ননা মরাল লৈবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীনবা তকশিল্লকখিবনি। ওপ্পোজিসন কোংগ্রেসনা সিবরাজ সিংহ চৌহানগী লৈঙাকপু নুপী-অঙাংশিংগী য়াইফনবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎতে হায়না মরাল শিখিবগা লোয়ননা কেস অসি সী বি আইদা শিননবা তকশিনখি।

মমাঙ থাদা কেস অসি থিগৎলিবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিমনা মশাগী চহী ২০ শুবদা ঙাইরিবা মরাল লৈরবা মীওই অনীগী মথক্তা লামায় ৫০০ পানবা চার্জসিট ফাইল তৌখি। মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর সিবরাজ সিংহ চৌহাননা কেস অসি ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট অমদা হিয়ারিং চথনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা কেস অসিদা মীৎয়েং চঙবিরক্লবা সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস দিপক মিশ্রাদা অইবা চেরোল থাখিবনি।

ꯁ꯭ꯇꯗꯤ ꯑꯦꯝ ꯕꯤ ꯕꯤ ꯑꯦꯁ/ꯑꯦꯝ ꯗꯤ

STUDY MBBS/MD
IN ABROAD

- * BANGLADESH
- * KAZAKHSTAN
- * PHILIPPINES
- * SOUTH AMERICA
- * RUSSIA
- * CHINA
- * KRYGYSTAN
- * GEORGIA
- * UKRAINE

PACKAGE STARTS FROM 12 LAC

ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET-2019
Class Starts from 1st Week of August
Medical Council of India (MCI) Screening Exam
(FMGE) Coaching Classes will be Starting Shortly
(Available Library Facility with Reading Room After Class Hour)

PLZ Contact :**ATAWAR RAHMAN, A.S.EDUCATION TRUST**
(JR INTERNATIONAL CONSULTANT)
Khergao Thambalkhong, Near Old Cambridge School,
Imphal East, Manipur

BRANCH OFFICE : A.S.EDUCATION TRUST
MINUTHONG, HATTA TELLIPATI,IMPHAL

Contact No: 8974084294, 9435549886
9615706900,8415930785, 8794249895
HL-B/4779/6/8-5/9

ৱারী লিবদা মীৎমাংদা থোকপদৌনা খলহল্লিবসি ময়াই য়াওরিবনি : সৈত্যব্রতা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস):

অহলশিংনা ৱারী লিবা মতমদা তারিবশিংগী ৱাখল্লোনদা মীৎমাংদা থোকপদৌনা খলহল্লিবা অসিদা মতিক-ময়াই য়াওরিবনি হায়না এম এল এ, টি ঐচ সৈত্যব্রতানা ঙসি ৱারী লিবা ফেষ্টিবেল লোইশিনবগী মতমদা ফোঙদোকখ্রে।

সঙ্গিট নাটক একাদেমি, ন্যু দিল্লিগী মখাদা রিপর্টরি ওফ ৱারী লিবা মণিপুর, খুরাই চাইথবী লৈরক অমসুং রাইজিং য়ুঠ ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা মোইরাংখোম বোকুল মখোঙদা লৈবা ভক্ত আশ্রম গ্রাউন্দ কম্যুনিটি হোলদা চথরকপা নুমিৎ মঙানিগী ওইবা রমায়নগী ৱারী লিবা ফেষ্টিবেল লোইশিনবগী থৌরমদা টি ঐচ সৈত্যব্রতানা হায়খি, অঙাং ওইরিঙৈদা লৈরম্বা ৱারী লিবগী চৎনবী অদু হৌজিক্কী মতমদা খরদি হন্থরে। ৱারী লিবগী তম্ফমশঙ লিংবা মতম ওইরে। অঙম-অঙম্বা পাংনদুনা ৱারী লিবগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনসি। লৈঙাক্তা করি হায়বা য়াগদগে হায়বদু খঙহনবীরকউ, অঙম্বা মতেং পাংগনি। অনৌবা কয়াসু হাপচিন্দুনা ফগৎনবা হোৎনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা রাইজিং য়ুঠ ওর্গনাইজেসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট সগোলশেম টিজেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা মতম শাংনা ৱারী তারুদ্রবা তুংদা হৌজিক তাবা ফংলক্লে। শেল লৈবা, লৈতবা পাঙথোকমিন্নরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা রাজশ্রী ভাগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুরগী চীফ এদভাইজর ব্রম্মচারিময়ুম অমুসনানা হায়খি, ৱারী লিবা শিথবা নত্তে। ফগৎনবা হোৎনফম থোকই। অঙাংশিংদা লাইরিকখক্তা তমহনখিবা অসিনা অঙাংশিংগী অপাম্বা ফোঙদোকহন্দবনা ৱারী লিবা অঙাং তাঙলিবনি হায়নসু মখা তাখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা ঈ জেদ সী সী কোলকাটাগী প্রোগ্রাম কন্মিটিগী মেম্বর বুধ চিংথামনা ফোঙদোকখিবদা, মমাংঙৈদগী লৈরক্লবা ৱারী লিবসি হৌজিক্কী মতমদদি খরা লাপথোরক্লে। তঙাইফদনা মসি কন্দবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোন লৈমিন্নসি। ঐখোয়গী মাঙথরক্লিবা মোরেল ভেল্যু অমদি হিংমিন্নবা অসিগী খল্লগা কন্দবা য়াদে হায়না হোৎনসি। নোল্লুকপা হায়বসিগী মচীঞ্জাক কনানা পীজরিবগে হংবা য়াই। কলচরেল অমদি মোরেল ভেল্যু য়াওরক্তুবা মতম অসিদা ৱারী লিবা কন্দবা য়াদে। লৈবাক্কী অওনবা পুরকপদা ৱারী লিবনা থৌদাং লৌই হায়নসু ফোঙদোকখি।

‘রাজ্য সভাগী মীখলদা নোটা শীজিন্নবা য়ারোই’

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি):

লাক্কদৌরিবা রাজ্য সভাগী মীখলদা ‘নন ওফ দ অবভ’ (নোটা) শীজিন্নবা য়ারোই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা য়াথং পীখ্রে। চীফ জষ্টিস দপক মিশ্রানা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি, রাজ্য সভাগুম্বগী ইন্দাইরেক্ট ইলেক্সন্দা নোটা শীজিন্নবা চুমদে। এসেমব্লিগী মীখল অমসুং লোক সভা মীখলগুম্বা দাইরেক্ট ইলেক্সন খক্তদা নোটা শীজিন্নগদবনি।

কুমজা ২০১৭ তা গুজরাট কোংগ্রেসকী লুচিংবা সাইলেস মনুভাই পার্মরনা রাজ্য সভাগী মীখলদা নোটাগী ওপসন য়াওহনবিগনু হায়না ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমগী হিয়ারিং চথরবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টনা ৱায়েল রিজার্ব তৌদুনা থম্লকখিবনি। কোংগ্রেস লুচিংবা অহমদ পটেলনা মীরেপ ওইবা রাজ্য সভাগী মীখল অমগা মরী লৈননা পিটিসন অদু ফাইল তৌরকখিবনি।

কুমজা ২০১৪ গী জনুৱারি ২৪ অমসুং কুমজা ২০১৫ গী নবেম্বর ১২ দা ইলেক্সন কন্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা থোকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না রাজ্য সভাগী মীখলদা নোটাগী ওপসন য়াওহনগদবনি হায়না ফোঙদোকখি। রাজ্য সভাগী মীখলদা নোটা য়াওহনবনা অরানবা থৌওং অমসুং শেঞ্জা-থুমজা চথরকপা য়াই হায়বা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা পার্মরনা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অদু গভর্নন্টেনসু শৌগৎখিবনি।

পিটিসনরগী মায়কৈদা সিনিয়র এদভোকেট এ এম সিংহবি অমসুং এদভোকেট দেবদত্ত কমটনা লেপখি। কেস অসিগী হিয়ারিং চথবদা সিনিয়র এদভোকেট সিংহবিনা হায়খি, ইলেক্সন কন্মিসন্না ইচম চম্বা চেরোল অমা থোক্লগা রাজ্য সভাগী মীখলদা নোটা শীজিন্নহনবা চুমদে। থৌওং অসি রেপ্রেজেন্টেসন ওফ পিপল এক্ট, ১৯৫১ অমসুং কন্দক্ট ওফ ইলেক্সন রুলস ১৯৬১ গী ৱাংমদা লৈবা থৌওংনি।

অমরোমদা, ইলেক্সন কন্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট অমিট শর্ম্মনা হায়খি, মদুদি কনাগুম্বা মীওই অমবু ভোট থাদনবগী রাইটস ফংহনবা তারবদি ভোট থাদদনবগী রাইটসু ফংহনফম থোকই।

হ্বাটসএপতা লৈবাক্কী লো ঙাক্লবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সি):

সোসল মিদিয়াদা তোকঙা শন্দোকপদগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মীয়াম চঙদুনা মী হাৎপগী থৌদোক কয়া থোকখ্রবা মতুংদা য়ুনিয়ন ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি মিনিষ্টর রবি সঙ্কর প্রসাদনা হ্বাটসএপকী চীফ ইগজেক্যুটিব ওফিসর খৃস দানিয়লসতা লৈবাক্কী লো ঙাক্লা চৎকদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

দানিয়লসকা উন্নদুনা ৱারী শান্নরবা মতুংদা মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা হায়খি, সোসল মিদিয়াবু অরানবা মওংদা শীজিন্নবা য়াহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা গ্রিভান্স ওফিসর অমা থম্নবা হ্বাটসএপতা ময়েক শেংনা খঙহনখ্রে। খুদোংথিবা থোকহন্দনবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎপনি।

ꯑꯄꯣꯂꯣ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ

Apollo Tutorial Centre

Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office

ADMISSION OPEN

Foundation Course For:
Class : XI Sc. (COHSEM & CBSE)
(Physics, Chemistry, Maths & Biology)

VAN Service available

Form Issue : 22 - 08 - 2018
Class Starts : 03 - 09 - 2018
Class timing : 4:20 p.m. - 7:45 p.m.

HOSTEL FACILITY : BOTH BOYS & GIRLS

Enroll just today and complete your ambition
Faculties : From Reputed Hr. Sec. Schools

For details Please Contact : APOLLO Tutorial Centre (7:00a.m. - 5:00p.m.)
HL-P/5258/22-30Aug&1-11 Sep(Alt.)

EDUCITY TUTORIALS

SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER

Limited Seats!

Timing:
5:00 am to 7:00 pm
4:30 pm to 7:30 pm

Contact: 9612194500 | 8731977228

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018

CLASS - I TO X, CLASS - XI & XII (SCIENCE) (Both CBSE & BOSEM)

- * PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
- * PROBABLE SUGGESTIONS
- * SPECIAL TEST SERIES
- * COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
- * WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
- * HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS

FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Month)
CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Month)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Month)
CLASS XI & XII Sc. (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)

CLASSES STARTING FROM 12TH & 20TH JUNE, 2018

OUR FACULTIES FOR XI & XII SCIENCE:

FACULTIES FOR CLASS I TO X:

HL-B/4797/17/8-15/9

ADVANCED COACHING INSTITUTE

Regd. No. : 729
9862992105
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
(Opposit mantripukhi auto parking)

REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE - Foundation Course for Class IX to XII (Arts and Science)
(Separate CBSE,BOSEM&COHSEM Batches)

Felicitation of Toppers of COHSEM Exam. 2018

WISH YOU ALL THE BEST IN YOUR FUTURE CAREER

SCIENCE

ARTS

HL-B/4723/29/6-26/8(Alt.)